ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯱꯴, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯵꯶ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, দিসেম্বর ১৪, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ২৫৬শুবা মশীং

# অসামদা এন্টি-সী এ বিগী ঈহৌ কনখৎলকপা

## কর্ফিয়ুগী অথিংবা কান্নফম খঙদ্রে, মীশি-মীনা ফাওবা য়াওরক্লে

অসামদা মীয়াম্না কর্ফিয়ুগী অথিংবা থুগায়দুনা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল (স এ বি)গী মায়োক্তা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লক্লে। লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাদা সী এ বি পাস তৌখ্রবা মতুংদা খ্বাইদগী অকনবা মওংদা ঈহৌ হৌরক্লিবসি অসামদনি হায়না লৌবা য়াই। য়ুমশকৈশা নুমীৎকী নুমিদাংৱাইরমদা প্রোটেষ্টেরশিংনা অসামগী দুলিয়াজানদা লৈবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রামেশ্বর তেলিগী য়ুমদা এটেক চৎথদুনা অমাঙ-অতা থোকহনখি। দিব্রুগরদা লৈবা চীফ মিনিষ্টর সর্বনন্দ সোনোৱালগী য়ুমদা নুঙ লংশিল্লকখিবগা লোয়ননা ভারতিয়া জনতা পার্টিগী এম এল এ প্রসান্তা ফুকান অমদি পার্টি অসিগী লুচিংবা সুভাশ দত্তগী য়ুমদসু অমাঙ-অতা থোকহল্লমখি। পাকিস্তান, বাংলাদেশ অমসুং অফঘানিস্থানদগী অয়াবা য়াওদনা চঙলকপা হিন্দু, সিখ, বুধিষ্ট, জেন, পার্সি অমদি খৃষ্টিয়ন লাইনীং চৎপা মীওইশিং ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইহন্নবগী মতাংদা বিল পাস তৌখিবা নুমীৎ অদুবু অৱাং-নোংপোক লমদমদা খুন্দারিবা য়েলহৌমীশিংগী 'অমম্বা নুমীৎ'নি হায়না নোর্থ ইষ্ট ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (নেসো)না ফোঙদোরক্লি। নেসোগী চ্যেরমেন সেম্যুয়ল বি জিরৱা অমসুং সেক্রেটরি সিনাম প্রকাশনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা য়ূমলোন্নবা লৈবাক্তগী অয়াবা য়াওদনা চঙলকপা মীতোপশিং সিটিজন ওইহল্লগা নোর্থ ইষ্টকী য়েলহৌমীশিংবু মশামক্কী পোক্লফম লমদমদা মাইনোরিটি ওইহন্নবা হোৎনরে। অয়াবা য়াওদনা চঙলকপা মীতোপশিং খন্দোক্লগা হলহনখিবগী মহুৎতা কুমজা ২০১৪গী দিসেম্বর ৩১ মমাঙদা কাঙলোন কায়না চঙলকখিবা নন-মুস্লিম পূম্নমক ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইহল্লগনি হায়রবনিনা বাংলাদেশকা কিলোমিটর ১,৭৪১ শাংবা ঙমখৈ লোন্নরিবা অৱাং নোংপোক লমদমদা অহেনবা মীতোপ কয়া চঙলক্লবগী পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা থোক্লগনি হায়নসু নেসোনা ফোঙদোক্লি।

চৈরকসিদা কর্ফিয়ুগী অথিংবা লৈনা-লৈনা মীয়ামগী ঈহৌ কনখৎলকখ্রবা মতুংদা গুৱাহাটি সিটিগী পুলিস কম্মিস্নর শিন্দোকখ্রে। কুমজা ১৯৯৫ বেটচকী অসাম-মেঘালয়া কাদর আই পি এস ওফিসর মুন্না প্রসাদ গুপ্তবু আই পি এস ওফিসর দিপক গুপ্তগী মহুৎতা গুৱাহাটিগী অনৌবা পুলিস কম্মিস্নর ওইনা থৌ পুহনখ্রে। ইষ্ট গুৱাহাটিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর ওফ পুলিস রঞ্জন ভুয়ান, সেন্ট্রেল গুৱাহাটিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর ওফ পুলিস রিপুল দাস অমদি ৱেষ্ট গুৱাহাটিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর ওফ পুলিস খানিন কুমার চৌধুরিসু ট্রান্সফর তৌখিবগা লোয়ননা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম লাকশিন্নবা আর্মিনা গুৱাহাটিদা ফ্লেগ মার্চ পাঙথোকখি। মীওই লিশিং কয়ানা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থুগায়দুনা খোঙজং চঙশিল্লকখ্রবা অসামদা সী আর পি এফকী পর্সনেল ৫০০০ হেন্না থাজিনবা লৈখ্রবনি। য়ুমশকৈশা নুমীৎকী নুমিদাং পুং ৯ লোম তাবদা রাজ্য সভানা সী এ বি পাস তৌখ্রে হেক তাবগা মশীং য়াল্লবা মীয়াম থোরক্তুনা গুৱাহাটিগী খন্নাপরা, জি এস রোদ, লাষ্ট গেট, সর্ভে, হাতিগাওন, সিলপুখুরি, জু রোদ অমসুং রুপনগরদা টায়র মৈ থাদুনা লম্বী থিংখি। কট্টন য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়শিংনসু অকনবা মওংদা খোঙজং চঙশিল্লকপদগী লম্বীদা গাড়ী কয়ামরুম পন্দুনা লৈবা তাখি। য়াম্না হৈ শিংবা মওংদা কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনহৌদ্রবদি অসামদা কা হেন্না খূদোংথিনিংঙাই ওইবা ফীভম মায়োক্নরকপা য়ানা লৈরে। সী এ বিগী মায়োক্তা অসামগী মীয়াম্না খ্বাইদগী কনবা মওংদা খোঙজং চঙশিল্লক্লিবসি অসাম একোর্দকী ৱাহন্থোক লৈহন্দ্রে হায়না লৌবদগী ওইরম্বা য়াই। কুমজা ১৯৭১গী মার্চ ২৪ মতুংদা বাংলাদেশতগী চঙলকপা মীতোপ পূম্নমক খন্দোক্লগা হলহনখিগদবনি হায়বা ৱাফমদা য়ানরগা অসাম একোর্দ খূৎয়েক পীনখিবনি। সী এ বিগী মতুং ইন্নদি কুমজা ২০১৪গী দিসেম্বর ৩১ মমাঙদা চঙলকপা মীতোপশিং সিটিজন ওইহনগদৌরি। অমরোমদা বি জে পিনা হায়রিবদি য়ূমলোন্নবা লৈবাকশিংদা মীওৎ-মীনৈগী চৈথেং খাঙলিবা মীশীং য়ামজদবা কাঙলূপকী মীওইশিং ইন্দিয়াদা চঙজফম পীবনি। অদুবু শ্রীলঙ্কাগী মীশীং য়ামজদবা মুস্লিম অমসুং টামিলশিং হুন্দোক্লম্বা চুমদে হায়বা ওপোজিসনগী ৱাফম অসি সী এ বি পাস তৌদ্রিঙৈদা খন্নরম্বা য়াবনি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### শান্তিগী পাউজেল

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

মতম মতমগী ওইবা অঙৈংবা-অশাবা মখল কয়াগী হৱা-নুংশিৎনা মালেমথকসিদা অওনবা অহোংবা কয়া পুরক্লি। তাইবঙপানবগী মচা-মনা ঙাক্তনি তাইবঙ মীওইবা। মীশিং থিবা ঙমদ্রবা য়াল্লবা মীওইবগী মরক্তা মতম মতমগী ওইবা মতিক চারবা লিদর কয়া থোরক্লি। থাংমৈবন্দদা লৈরিবা মণিপুরগী মায় ঙাকপগী শক্তম উৎলিবা এসেমব্লি অসি ওন্থোক্লা ফজে, এসেমব্লি অসিগী মমাঙদা নুপীগী মীত্তম অমনা খূত্তা সনাবুল পায়রগা ঈশিং হৈথদুনা মীত্তম অমনা খূবাক অনীনা য়ারদুনা নোম্থরপ তৌরগা ঈশিং থক্লিবা মীত্তম অসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক (ফিলোসোফি) য়াম্না ফজে। মীওইবনা মীওইবগী থৌগল তৌদুনা মীগী অপেনবা পীথোক্লগা খুন্নাইদা তপ্না তপ্না অওনবা পুরক্লবগী (ইভোল্যুসন) পান্দমনি। অদুগা এসেমব্লি ৱাংমদা মীয়াম্না চৎনরিবা লম্বী থাংমৈবন্দ পুখ্রিগী মপান্দা সহিদ ইরাবতকী মীত্তম অমনা য়েৎথংবা খূৎ থাংগৎতুনা লাউরি। খুন্নাইদা অওনবা অহোংবা অমা পুরক্লীংবগী (রিভোল্যুসন) ইথিল অমা পীরি। মীত্তম মখল অনী অসিগী পান্দম, পন্থুংফমদি চপ মান্নে। ইভোল্যুসনগা রিভোল্যুসনগা খেন্নবা অদুখকনি। মীওইবা খুদিংমক অওনবা পাম্মী। নারেংবম সমরজিৎনা লন্দন্দা পোলিটিকেল এসাইলম লৌদুনা লৈখিবসু ইমা লৈবাক্কী অওনবা অমা পুরক্লীংবগীদমকনি। তৌইগুম্বসুং লোগী এগেনষ্টতা থবক তৌবদি হৌজিক্কী মতমদা চৎনদ্রে। ঐখোয়না হেক ঙল্লিবমখৈ লোগী মায়োক্তা থবক তৌরোইদবনি। অদুবু মণিপুরগী হিষ্টোরি মুন্না খঙবীবা লন্দনগী লৈঙাক্তনি এন সমরজিৎনা ৱাকৎলুরিবসি। অমেরিকানা লন্দনবুদি য়াম্না ইকায়খুম্নমা, কিনা চৎলি। ঐখোয় হৌজিক্তি অনলোফুল এক্টিভিটিজ, এজিটেসন, ইস্যু কয়া শাগৎপা মোব জষ্টিস তোক্লসি। এজিটেসন তৌবা য়াই মতম মতমগী মতুংইন্না পিছফুল্লি। ঐখোয় হৌজিক্তি য়াম্না হৱাউবা, পেন্থোকপা য়ারে। চহী কয়া চঙনা, মীশি মীনা য়াওনা তান্নজরকপা আই এল পি ফংলে। দিল্লিগী পার্লিয়ামেন্টকী পোলিটিকেল মেপতা মণিপুর য়াওরবনি। ফেক এনকাউন্টরদা মণিপুরনা হায়েষ্টনি, অসিফাওবদা দিল্লিনা মণিপুরবু শক খঙবীবা নত্তে। হন্দক ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টতা মণিপুরদা আই এল পি চৎনরগনি হায়না লাউথোকপীবা অসিনা ইন্দিয়াগী পোলিটিকেল মেপনা মণিপুরবু শক খঙবীবগা চপ মান্নে। ঐখোয় য়াম্না হৱাউফম থোকই। নোর্থ ইষ্টকী ইন্দিজিনস পিপল অমা ওইরিবা মণিপুরবু আই এল পিগী ঙাক্লৌ য়াওদবা ঐখোয়সে য়াম্না ইকায়নীংঙাইনি। ইকায়বা অদুদগী কনবীরবনি। হন্দক আই এল পি ফংলিবা অসি মণিপুরগী হিষ্ট্রিদা য়াম্না চাউবা কাউঙমলরোইদবা অওনবা অমনি। য়াম্না নুংঙাইবা য়াম্না ফজবা তাঙ্কক অমনি। ৱামিন্নখিবা ইচিন-ইনাও পূম্নমক, পোলিটিকেল লিদর পূম্নমকপু হায়নীংঙাই লৈতনা থাগৎচরি।

মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনখিবা কুমজা ১৯৪৭কী মতমদগী মীতৈ ঐখোয়গী ঙাক্লৌ য়াওদবনা তুংগী লাক্কদৌরিবা ইচাশিংনা হিংদুনা করম্না লৈহৌগনি, মীতৈ ঐখোয়সি মুৎকদৌরিব্রা ৱাজরম্বদু চনীং তানা অশাংবা শ্বর হোন্দোকচবা ফংলে। ওন্থোক্লা হৱাউই। মীয়ামসু শোয়দনা শান্তি খরদি ফংবীরমগনি। মীৎচোপ্পী পাজোম্বী হায়না পংলাউ লাউনবা, পংহুন্দা হুন্নবা হায়বসিদি চাওখৎতবগী মতৌনি। অফবা তৌথোরকপা মীবু ফৈ হায়না থাগৎপীগদবনি। ঐখোয়গী ইকায়খুম্নজরবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, মতিক চাবা লিদরনি। অদুনবু ইন্দিয়ন নেসনল এৱার্দ 'চেম্পিয়ন ওফ চেঞ্জ' তেনখ্রবা মতমগী মনুংদা এৱার্দ অসি ফংলক্লিবনি। তুংগীদি খঙদে হৌজিক ফাওবগীদি মহাক থবক য়াম্না নিংথিনা তৌই হায়বসি ঐখোয়না খঙই। মীয়ামগী অফবা লাইবক অমা লেপ্পীবা ঙম্বা নুপানি। মীওইবনা অপাম্বা ফংলবদা অপেনবা পোকই, অপেনবা হায়বসি লাক্লবদি মীওইবগী থম্মোয়দা শান্তি হায়বদু ওইরকই। ঐখোয়গী লমদমসি লেংদ্রবা শান্তি হায়বদু ওইহল্লসি। অমনা অমবু থাজনদবা হায়বসি ফজদবা লায়না মখল অমনি। থাজবগী মপান্না মীওইবনা হিংবা ঙল্লিবনি হায়বসি কাউদবা তল্লসি। থাজবা থম্বা মফমদা তাইবঙ মপু লৈ। মপু লৈবা মফমদা শান্তি লৈ। লাইগী লৈবাক ওইহনসি। লেংদ্রবা শান্তি লাক্লবগীদমক।

*অদোমগী - দল্লিয়ু পদ্মাবতি, কোন্থা অহল্লুপ অৱাং লৈকায়*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৯

১। বৃটিশনা মণিপুরবু ১৮৯১গী এপ্রিল ২৭তা লৌশিনখিবদগী 'নেটিব রুল' শেমদুনা মখোয়না হাপ্পা নিংথৌ অমনা লৈঙাকখ্রে। অহানবা অদুগুম্বা নিংথৌদু চুড়াচান্দ মহারাজনা ওইখি। মহাক নরসিংহ মহারাজগী শুরোলনি। (ক) মহারাজ চুড়াচান্দগী অপোকপগী মমিং হায়য়ু।
(খ) মহারাজ চুড়াচান্দবু লাইরিক তমহল্লুবা আজমেরগী কোলেজ অদুগী মমিং হায়য়ু।

২। "য়ূদে শৌনা তাঙজা লিলহা/থিংদে পলনা মলয়া নুংশিৎ/থুক্তে শৌদা, য়েংদে পলদা নুংশিবগী নুংশিৎ।" ফজখ্রবা কবি অমগী পাউরৌ ওইরবা, খোন্থানি। কবিদু কনানো?

৩। "অহীং অসে... ওইরক্কনি শোয়দনা নোংঙানবা/পুরক্কনি মানা/খোয়থুম্নরবা লৈহীসু/থক্কনি ঐনা পেন্না/অৱাবদি/মাগী লৈহী ঙাইবদা/থক্লি ঐনা হূগী হূ ঙাক্তা।" পরেংশিং অসিসু কবি যোদ্ধচন্দ্রগী ফজখ্রবা ৱাহৈশিংনি, চুমখ্রবা। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।


৪। "লাইদি লাইনি/... মী ওইখিনু লাই নঙ/মী ওনখিনু লাই নঙ।" পরেং অহুম অসিসু "মী ওনখিনু লাই নঙ" কৌবা শৈরেংদুদগী লৌথোকপা ফজখ্রবা ৱাহৈশিংনি। অইবীদু কনানো?

৫। "উমরাউজানগী ৱারী খঙদবা কনাসু লৈরম্নরোই। ফিল্ম ওইনা কয়ারক উনখ্রবনি। অদুবু ফিল্মশিং অদুমক্তি মির্জা মুহম্মদ হাদী রুসৱাগী উর্দু নোবেল অদুদগী শেম্লকপা ঙাক্তনি। অদুদি নোবেল অদুবু মণিপুরীদা হন্দোকখিবা হন্দোক্লোই অদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ফম্বালদা ঙান্থোইরিবা অথোইবা

### ৱাইরু-ৱাইরুবদা



ৱাখলনা শারগা ইবদগী হেন্না নুংঙাইবা লৈতে। ৱাখলনা শাবা, টেবলদা শুংবা খূৎই ঙম্বা অরাইবা নত্তে। অওই অওইবা থৌদোক ৱাথোক অচুম্বা মশক লৌবুক্তা কূমদুনা, চীংদা কাদুনা, ঈপাক্তা লৌরেল পায়দুনা হি হোন্দুনা, পাৎকী মনুংদা ঈরোলনুংদা কূমথদুনা য়েংলুরগা, তারুরগা, খঙলুরগা নত্তবা ৱাখলনা লোইনা শাগৎতুনা ইবা নুংঙাই। ইবা কোম্মী। থিগৎপগী মথৌ তাদ্রে। কোক মনুংদা শাগৎ-শাগৎতুনা পঙইদা ইবা নুংঙাই। মদু অপাবনা পঙনুং নুংঙাইরমগদ্রা, নুংঙাইরম্লোইদ্রা হায়বগী ৱানা অমনি ইবগীদমক্তদি য়াম্নমক নুংঙাইবা ৱা ওইরে।

লীলা, দ্রাম, ৱারী, শৈরেং কয়া ৱাখলনা শাগৎলগা ইবনি, অচুম্বা খরা খরদি তোৎপা, য়ানশিনবা তাই অশেংবা মান্নবা, সাইন্স ফিক্সন হায়রিসিসু ৱাখলনা শাগৎপা, ৱাখল ফবা মীনা ইবা খূৎইনি, ৱাখলনা শাগৎপা থৌদোক পরিং ওইদুনমকসু থৌদোক লাকথোক্তি তাইবঙ পুন্সি, তাইবঙ থৌদোক্তগী মতৌ তম্বনি। পূম্নমক ৱাখলনা শাগৎপা নত্তে - তাইবঙ খরা য়াওরি। তাইবঙদনা য়ানা চায়, ৱাখলনা শাবা ৱারীদা, লীলাদা নাতোন্না চাক চাহনবগী ৱানি, মীৎনা ৱা ঙাঙহনবগী ৱানি, খূৎনা, খূৎনা চৎলগা খোঙনা চাক থোংহনবা, চা লোলহনবগী মতৌনি। মীনা মরোল থোক্ত্রগা শা-ঙানা ৱা ঙাঙহনবগী ৱাদনি। এরোপ্লেননা লৈবাক্তা চেলহল্লগা কারনা পাইহনবগী মওংনি। ৱাখলনা শাগৎপগী মতৌ অসিদি মসিনি। মসিদি নুংঙাইবা মখলগী ৱাখলনা শাগৎপা পোৎথোকনি। থোইদোক্লা অপাবদা নুংঙাইবা পোৎনি হেরি পোট্টর, শেরলোক হোমজ, মহাভারত, রমায়ন অসি অশেংবা থোকপনি/থোক্তবনি হায়নরক্লি, থিজিনবা ৱাৎপগী, থিজিনবা তনবগী ৱানি। অদুবু ৱাখলগী পোথোকনি পাবদা, তাবদা নুংঙাই। অহৈবা মীগী ৱাখলগী পোথোক মংলান অপাবা ঐখোয়না মদুগী রস চুপচবনি। নুংশিরবা মনম, ময়াক, মহাউ - কনাগুম্বা নুপা অমগী নুপী অমগী ৱাখলগী পোৎথোকনি ... ঐখোয় অপাবা মীনা ফংফদ্রবা অমনি। ৱাসি সুম কোয়থোকমিনি-খদুনা অমুক তনবা ফাওবীরম্লনি - নাকোয়নবা অমুক তোকচরগে।

ইনরিবা ময়াম অসিদা ৱাখলনা শাগৎপা, শেমগৎলগা কা হেন্না ৱাশিনগনবা, কা হেন্না লাংতক্লগনবা, কা হেন্না ৱাখল ফজিল্লুবা কয়া য়াওরকই। মী মীগী লৈনরবা ৱাখল লৌশিংগী থাক্কী মতুংইন্না পাখৎকনবা, ৱাশিনগনবা, কিগনবা হায়বা অসি মেরুক, লাইতং, লীখায়, শঙবাইগী চাংদানি। ইথোরকপদা, ঙাঙথোরকপা মতমদা ওইরোই পারোইদবা ময়াম হায়জিন-হায়জিন্দুনা মী পাখৎহন্নবা প্রোপেগন্দা নৎত্রগা এদভর্টিজমেন্ট মানবা কয়া ফেসবুক্তা, ৱাটসএপতা ৱাখলনা শাগৎ-শাগৎতুনা ইবা য়াওনরকই, মদুনা মরম ওইরগা ঙাইহাক্তা ৱাখল অসি পোত্থাবা অমত্তা ফংহন্দবা অসি মরাং কায়রক্লে।

চঙশিন্দুনা থোইদোক্লা হকথেংনরুদ্রিবা, পারুদ্রিবা, নৈনরুদ্রিবা পোৎশক অমগী মরমদসু য়াম্না খঙ হৈরবদৌনা ইনরকপা লমদম্নরক্লে। হংলুরগনা চুম্না খুল্লকপগী মহুত্তা মরী লৈনদবা পাউখুম ওইনা চৈরকপা কয়া থেংনরি। পূম্নমক্কী নীংবা কায়নীংঙাইগী লৈখা তারবা মশক অমনি।

মতম অমদা ইন্টরনেট ফংদ্রিঙৈ, লৈত্রিঙৈ মতাং অদুদদি মী অমনা পঙহায় হায়জিনবা পঙঙাঙ ঙাঙবা অসি চুম্লবোই খন্দুনা য়াম্না নুংঙাইরম্মী। হৌজিক্তি সেকেন্দ খরগী মনুংদা অচুম অরান লেপ্পা ঙম্নরবা মতম অসিদা ওইদা-পাদবা ময়াম অমা হায়দুনা অপাবা অমদি অতাবা মীবু থাজহনগনি হায়বা অসিসু অরায়বা ৱাংউলোন অমদি নত্তে। অদুবু হায়জিন্নরি হায়জিন্নদবদি নত্তে - থওইনা প্রোপেগন্দা ওইনা। অদুগা হৌজিক্কী মতম অসিদসু পঙথহল্লবা, অদুগা থমায়বীরবা চমজরবা-চমজরবী কয়া অমা মুৎপা নাইদনা লৈরি। সহরদা, খুঙ্গংদা ব্রেন ৱাশ তৌবিরবা (থমায়বীরবা) ৱাখলগী ভিক্তিম কয়া।

নীংতম্বা মী হায়বসি কনানো অদুদি? মতম অসিদা নুংঙাইবা সাহিত্যগী ওইবা ৱাখলগী পোথোক নত্তবা চুম্না শেংনা হায়বিগদবা ৱা কয়া ৱাখলনা শাগৎলগা ইনরকপা, ঙাঙনরকপা, তাইবঙ মীগী নুংঙাইতনবা, ৱাহন্নবা কয়াবু চঙদ্রবা মী অদু নীংতম্বা ফংলবা মী হায়না কৌবা য়াই। অন্ধবিশ্বাসকী, তোকঙাগী, চিরোলগী, থাগৎশিন্নবগী, ফত্তবা থৌইনশিন্দগী লাপ্পা লৈরবা অদুগুম্বা তোখায়রবা মীশক অদুবু তাইবঙপাল অসিদা নুংঙাইবগী পন্দাল লোম্লবা নুংঙাইবগী তাঙবলদা ফমদুনা ঙান্থোইরবা তাইবঙ মী হায়না কৌবা য়াই। ৱাখলনা হেনজিন হেনজিন্না শাগৎলগা ইতোমতা ৱাজদুনা সুসাইদ তৌবগুম লেনবসে নহারোলশিংদদি শুকলেন হেক লেনজহন্নীংদে। ●

# ৱাথোক হায়বা লৈতে, শেমগৎপনি

### নবকুমার ওইনা

মী অমগা মী অমগা মান্নদবসি ৱাথোকনি। নেচরদা, মহৌশানা ৱাথোক হায়বা অমা লৈরম্বা নত্তে। মীওইবা ঐখোয়না শীজিন্নরিবা ৱাথোক হায়বসি মীওইবশিংতগী মশানা শেমগৎচবা নেচর অমনি। অদুম্না ৱাথোক ময়ামগী মনুংদা শান্নবগুম ঙাওনদুনা লৈনরি।

ৱাথোক ওইরে হায়বসি ৱাফম অমগী মনুংদা ঙাওনদুনা লৈবা মীওই য়াওবদগী ওইগদৌরিবনি। মী অমনা মশাসি ৱাথোক ওইবা য়াম্না পাম্নে। মীং চৎপা পাম্নে, শেল পায়বা পাম্নে, তোলোপ চাউবা পাম্নে, থবক ৱাদবা পাম্নে, নিংথৌ ওইবা পাম্বে। অপাম্বা হায়বসি ৱাথোকনি, ঈশিং চাওরকপা, চীং নীংখায়রকপা, য়ুহা হারকপসিদি ৱাথোক নত্তে, থৌদোকনি। মীওইবনা চোংশিন্দুনা য়াওজবনি। থৌদোক খুদিংমক ৱাথোক নত্তে। ৱাথোক খুদিংগী ৱাথোকশা অমমম লৈগল্লি, নুপী হাৎনরিবসি ৱাথোকনি, ৱাথোকশা লৈবদগীনি। অফবা, কান্নবা মায়কৈদা ৱাথোকশা ওইবসু য়াই, ওইগদৌবনি। শেন্নগদৌরিবদি মায়কৈ লেপ্পদুনি, মায়কৈ লেপ্পা হায়বসি ৱাখল হোংবা হৈরবা মতমদা ওইগদবনি। ৱাখল খনবা লেপ্পলবদি মায়কৈ লেপ্পা ঙল্লোইদৌরিবনি। ঙৱাংদগী ঙসি ফাওবা, ঙসাইদগী হৌজিক ফাওবদা করি অহোংবা পুরকপা ঙল্লবগে হায়বসি খঙদনা লৈশিনবদগী ৱাথোক লৈবা হৌরকপনি। ৱাখলদা, লৌশিংদা য়াহৌ থেংহৌরবা মীশিংতনা ৱাথোকশা ওইরকপনি। থাজবা অমনা ৱাথোক ওইহল্লকপা নত্তে, ৱাখল খনবা হৈবা-হৈতবদুগী মতুংইন্না ৱাথোকশা ওইরে খঙনরকপদুনি। ৱাখল হোংদ্রবদি য়ানবা পুরকপা ঙম্বা হৌনদে। খঙদবদগী ৱাখল তাবা ঙমদবদি খঙহল্লগা, তম্বীরগা য়াগনি, পঙবগীদি ৱাথোক অদুম লৈগনি। ৱাথোক য়াম্বা লমদম হায়বসি অপঙবা মী য়াম্না লৈবগীসু ওইবা য়াই। লৈরক খুল্লক্তা ঈশিং চাওবসিদি ৱাথোক নত্তে, থৌওইনা শেমগৎপা অমনি। লম্বীদা শেল খায়বসি ৱাথোক নত্তে।

ফৈগা-ফত্তেগা য়াম্না ঙাঙবা মীওইশিংনা করিবু তৌবা ঙল্লবগে, ৱাথোক শাগৎপা নত্তনা। অফবা অমা হায়বদদি মী ময়ামসু য়াফম থোকই হায়গনি। খঙনদ্রবদি অফবা ৱাদু ৱারেপ ওইবা ঙমদনা ৱাথোক ওইনা উরক্কনি। লাই লৈ অমসুং লৈতে হায়বসি ৱাথোক নত্তে, লাই লৈ হায়বশিংদি ৱাথোক শাগৎপা ঙম্বশিংনি খঙনরক্লবনি। ৱাথোক হায়বসি মীশক ওইনা লৈবা নত্তে, মী মীদুনা পুরিবা ৱাখল অদুগী মায়কৈ মান্নদবদুনি। য়ু থকপসি ৱাথোক অমা ওইদে, য়ু থকপা থিংবসি ৱাথোক ওইরক্লি, শেমগৎপা অমনি, হৌরকপা অমনি। চুম্বা লানবা হায়বা লৈতে, কৈদৌঙৈ তোকখিনি হায়বদি খন্নবা হৌরক্লিবা অসিনা লোইনরকপদা খঙলক্কনি। আই এল পি হায়রিবসি খন্নবা লোইরকপদা ৱাথোক ওইরক্ত্রিবা অসিনি। ৱাথোক নত্তে, মাল্লম্বদুনি, ৱাখলগী ৱানি। মুনিশিংনা তাইবঙপাল (সংসার) হায়বসি লৈতে, ৱাখলদা লৈবা মানবনি হায়বা য়াওরি। তাইবঙপান্দু লৈত্রবদি ৱাথোক কদায়দা লৈগদৌরি, ৱাথোক হায়বসি ৱাখলদা ওইগদৌরি। মী হাৎনরিবসি ৱাথোক নত্তে, মীশিংদু লায়েংবা নৎত্রগা তম্বীবা ৱাৎহৌবগী ওইবা তাবদুনি। নিংথিনা তম্বীদবসি ৱাথোকনি হায়বদুনি। তম্বীদবসি ৱাথোকনি। মমানা মচানুপীদু তম্বীদবদগী মমা ওইরকপদা (মমাগী মতৌ লৌরকপদগী) ৱাথোক শাগৎপা য়াওরিবনি, ইন্দিয়াসু বৃটিশ মাল্লকপদা য়াওরিবসিনি। বৃটিশ হায়বসিদি ৱাথোকশা নত্তে।

অরানবা অমা চুমথোক্লবা হোৎনবা হায়বসি ৱাথোক অমা নত্তে। য়ানবা ঙমদবা, অচুম্বা খঙদবশিংদুনি ৱাথোকশা ওইরিবদি। লৈবাক নিংথৌ, ফম্নাইবা কয়া ৱাথোকশা ওইরকপগী ৱারী ময়াম লৈরক্লিবা অসিনি। উমং পাক শন্না মৈ চাক্লক্লিবসি ৱাথোক নত্তে, থৌদোকনি, মৈ চুরিবা মীদুদি ৱাথোকশানি। ঈশিংদা তাবদগী শিবা য়াওবসি ৱাথোক নত্তে, চোংথরগা শিজবা ওইরবদি ৱাথোকশা ওইরকই। বোমগা কোন্নরগা শিজবসি ৱাথোকশা চিংই।

থৌদোক ময়ামসিগী মরক্তা করম্বনা ৱাথোক ওইরবনো হায়বসি খন্দোকপা ৱাখৎলক্লি। অয়াম্বনা ৱাথোক ওইরে হায়রবদি অফবা অমা নৎত্রে। নোংমৈ পায়বসি ৱাথোক নত্তে, কাপফম লাল্লবদি ৱাথোক ওইরকই। নোংমৈ অনী ওনশিন্নবসি ৱাথোক নত্তে, অচুম্বা খঙদবা নৎত্রগা অচুম্বা শাবদু ৱাথোকনি। অচুম্বা খঙদবা, অচুম্বা শাবা অদুবুনি ৱাথোক শাগৎপা হায়রিবসি। ঈশিং য়াবগী তোটি মখোঙদা মাংই-শেংই হায়নরম্বদু ৱাথোক ওইরে। শাউনবদুনা ৱাথোক ওইরে হায়বা য়ারোই, মাংই-শেংই হায়বদু তোক্কদৌবনি। লাই ওইবা পাম্নরিবসি ৱাথোক শাগৎলিবনি, লাই নীংবদি ৱাথোক নত্তে, লম্বীদা থোক্লকপা থিংবা য়াওনরক্লবনি।

মিনিষ্টর ওইরকপদি ৱাথোক নত্তে, ওইদবা য়াদে হায়রবদি ৱাথোক ওইরে, ভোট কাবসি ৱাথোক নত্তে, কাদবা য়াদে হায়বসি ৱাথোক শাগৎপনি। ৱাথোকশাশিংগী মরক্তা ৱাথোক শাগত্তবা কয়া য়াওরি ? ৱাথোক শাগৎপা ঙমদ্রবনা কয়া লেমহৌরি? শেল চাবা হায়বসি ৱাথোক শাগৎলিবা ৱাথোকশা হায়বদু ওইরিবনি। শেল পীজরিবশিংসু ৱাথোকশা চিংই। ইকায়বা খঙদবা নত্তে, ইকায়বা হৈতবনি। ওফিস অয়াম্বা ইকায়বা হৈতবশিংনা কনশিনখ্রবদা ৱাথোক শাগৎলিবসি কনা ওইগদৌরি। কমপ্লেন ঙমদবশিংনা ৱাথোক শাগৎপা ওইনা লৌনরে। কোর্টনা করিসু তৌবা ঙমদবগুম্না উরি, থবক য়াম্না তপ্লি। কোর্ট হায়বসি ৱাথোক শাগৎফম ওইনা লৈবগুম্বনি। অচৌ-অশাংশিংগী, লায়রবশিংগী য়েৎনফমনি, অপঙবশিংগী ৱাথোক থোকফমনি হায়গনি। থৌদোক অমা শেন্নবা ঙল্লক্ত্রবদি ৱাথোক চিংলকই। থৌদোক খুদিংমক ৱাথোক ওইরক্লবদি লৈবাক অমা কৌবা য়াদ্রে, লৈঙাক লৈবনি হায়বা য়াদ্রে। ইমর্জেন্সি অমা লাউথোকপা তারকই, মদু ঙম্বা মী লৈত্রবদি মদুমক ৱাথোক অমনি।

হৌজিক ৱাথোক ওইরিবসি থৌদোক মচাশিং অসি নত্তে, থৌদোকশিং অসি থোক্লক্লিবা অসিগী মরূ অদুদা ৱাথোক লৈবগীনি খঙনদবগীনি। ৱা অমা থোকপা হায়বগা থৌ অমা থোকপা হায়বা অনীসি খেন্নবা খঙদনা নিংথৌ শারগা লৈরবদি ৱাথোক শাগৎলিবসি মহাক অদুনি। থৌ অমা থোকপগী থৌদাং য়াদ্রবা লৈবাক অদুগী মী (সিটিজন) নৎত্রে হায়বনি। নিংথৌ পাল্লিঙৈগী ৱাখলদা লৈরিবশিংদি ঙসি ওইরিবা লৈবাক অসিগী সিটিজন ওইদ্রি হায়গনি। থৌদোক অয়াম্বা মখোয় খরনা ৱাথোক ওইহনবগুম লৈহৌরিবনি হায়গনি। লাইরিক তম্বনসু য়ারোই, য়াদ্রে। ৱাখল খল্লিবদুগী মায়কৈ চুম্বা ঙমহৌদ্রে। লাইরিক হৈবশিংনা হেন্না ৱাথোক ওইরে। লৌমীশিং থবক শূদ্রে, শিন্মীশিং থবক শূদ্রে হায়গনি। থবক শূদ্রিবদি লাইরি হৈবা শাবশিংনি। থবক শূদ্রবদি লাইরিক হৈবা চিংদে। লাইরিক তম্লগা লাইরিক হৈরবনি হায়বদি য়ারোই। হৈবা শাবনসু য়ারোই, ৱা থোক্লক্কনি, মঙক কল্লক্কনি। ৱাথোকশা ওইরকপসু য়াই।

মতম অসিদা লাই নীংদুনা লৈগদৌবা নৎত্রে। মদুদি থবক্তগী নাম্থোকপা য়ানবা থৌওংনি। লাই নীংবা লোইরগা থবক তৌগদৌবনি, থবক্তু তৌদ্রবদি লাই নীংবা কৌবা য়াদে। যন্দুং ইনবদু লাই নীংবা কৌদে, কৌবা য়াদে, কৌনদে। থবক্কীদমক লাইনীংবা শাবা য়াওনরিবনি, লাইনীংবনা মী হাৎপা য়াওনরি। লাইনীংনা মী হাৎপা য়াবসু য়াওরি। মীহাৎপশিংনা লাইনীং শীজিন্নবসু য়াওরি। অরানবা তৌবশিং হাৎপা ঙমদ্রবদি লাই নীংবা নত্তে, লাইনীং খঙদবা চিংই। ৱাথোকশা চিংই। হৌজিক্তি লাইনীংশিংসি ৱাথোকশাশিংনা শীজিন্নখ্রবা মাল্লক্লি। মালেমগী মচি খুদিং হাৎনরক্লিবসি লাইদু লৈত্রে হায়গদ্রা, লৈরি হায়রগনা মীহাৎপশিংনা শীজিন্নবগীনি হায়রিবনি। মীহাৎ অনী শুরি, ৱাথোকশানা হাৎপা অমসুং অচুম্বা পাম্বশিংগী লাইনীংনা হাৎপা হায়বা অমগনি। লাইনীংদু লৈশিল্লক্ত্রবদি মীহাৎপা মশেল হাৎনরকপনি, ৱাথোক অমনি। খ্বাইদগী চাউবা ৱাথোকসি মালেমগী মচি খুদিং মী হাৎনরকপা অসিনি। লাইনীংগী ৱাংমদা ৱাথোকশাশিংনা মী হাৎনবা য়ানবা ৱাথোক শাগৎপা লেপ্পদ্রিবনি। লমদম অসিদদি মদুগী থাক য়ৌনা ৱা থোকপা নত্তে খন্নরিবনি। ৱাথোক মচা-মচা শাগৎলগা ৱাথোক অচৌবা শাগৎপা ঙমগদৌবা নত্তে। ৱাথোক অচৌবা ৱাতেম্বসু ঙমগদৌবা লৈতে। ৱাথোকশাশিংনা ৱিন-ৱিন মওং পামগনি ৱাতেম্বা হৈবশিংনা লুজ-লুজ তাহনবা ঙমগনি। মরম খঙদনা ৱিন-লুজ তাহনবদি ঙল্লোই। শা-উচেক ফাওবা তম্বীবা য়ারগা মী মরক্তা তম্বীবা ঙমদবা হায়বসিমক ৱাথোকনি, ৱাথোক শাগৎপনি। ৱাথোক শাগৎপশিংনা থৌদোক খুদিং ৱাথোক ওইনা লৌবসু লানগনি। ৱাথোক শাগৎলগা মায় পাকপা পুরক্কনি খনবসু লানগনি।

লাই নীংদবা মী লৈতে, ৱাথোক শাগত্তবা মী লৈতে হায়বনি। মসি খঙবদগী লাইনীং মুখৎপা হৌরক্লবনি, অপাম্বা থাদোকপা হৌনরক্লবনি। মালেমসি ইমুং অমত্তনি খনবা হৌনরবনি, মীয়ামসি য়াইফনবা খনবা ঙম্নরবনি। মদু ঙমদবদগী চীংমায় কনবা, থাও থোকফম কনবা ঙম্নবা হোৎনবদা মীওইবা খুন্নাইগী মীংচৎ থিনবা তৌবগুম ৱাথোক শাগত্তুনা লৈবা য়াওনরিবনি।

লাইরিক তম্বা হায়বসি তাইবঙপান খঙনবা হোৎনবা অমনি, ৱা থোক্তনবা মহৈ তম্বীবনি। মদু ঙল্লক্ত্রবা হায়বসি স্কুল, কোলেজ, লাইশঙ, য়ুনিভর্সিটি ময়ামসি মায়কৈ ওন্না পুখ্রে হায়রিবনি, ৱাথোক্কী তিন চঙখ্রে হায়বা য়ারকপদুনি। ●